## জপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নাকাসোনে লৈখিদ্রে



টোকিয়ো, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
কোল্ড ৱারগী মতমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট রোনাল্ড রিগান অমদি বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর মার্গ্রেট ঠেটচরগা কন্না মীচং ওইনখিবা জপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়াসুহিরো নাকাসোনে ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রে হায়না রুলিং লিবরেল দেমোক্রেটিক পার্টিনা ফোঙদোকখে। মহাক চহী ১০১ শুখ্রে হায়রি। নাকাসোনেনা কুমজা ১৯৮২ অমসুং কুমজা ১৯৮৭কী মরক্তা ওফিস পায়রিঙৈদা জপান্না ইকনমিক পৱার অমা ওইনা লৈবাক অসিনা শেল-থুমগী লমদা তৌবা ঙম্বা কয়া মালেমনা উবা ফংখিবনি।

## ট্রম্পকী কাবুল খোঙচৎ মতুংদা টালিবান্না পিছ টোক মখা চত্থনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে



কাবুল, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙক্লি ংঙাই ওইবা মওংদা খঙহৌদনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস ট্রুপশিংদা ভিজিট তৌদুনা রেদিকেল ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা টালিবান্না সীজফায়র অমা চৎনহনবা পাম্লম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা ইরাই নুমিত্তা টালিবান্না মখোয় য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা অমুক হন্না য়ু এসকা ৱারী মখা চত্থনবা শেম শারে হায়খ্রে।

ট্রম্পকী থেঙ্কসগিভিং দেগা মরী লৈনবা খোঙচৎ অদু মহাক্না য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইরকখিবদগী অফঘানিষ্টানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদু ৱাশিংটন অমসুং কাবুলগী মরক্তা প্রিজিনরশিং থাদোক্নখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা পাঙথোক্লিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমগী প্রিজনরশিং থাদোক্নখিবগী খোঙথাং অদুনা চহী ১৮ শুরক্লবা অফঘান লান লোইশিনবা য়াগদবা মতম শাংনা ঙাইনরক্লবা পিছ দিল অমা পুরকপা য়ারগনি হায়বগী থাজবা হেনগৎহনখি। টালিবান্না দিল অমা খুৎয়েক পীনবা পাম্মী। অদুনা মখোয়গা অমুক হন্না উনগদৌরিবনি হায়না ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা অফঘানিষ্টানদা থুংলবা মতুং পাউমীশংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

ইরাই নুমিত্তা হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট লালহৌবা গ্রুপ টালিবানগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা জবিহুল্লাহ মুজাহিদনা মখোয় পিছ টোক অমুক হন্না মখা চত্থনবগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকবিনি। পনবা য়াবদি, চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ট্রম্পনা খঙহৌদনা লৌখিবা ৱারেপ অমনা নাকল অনীগী ৱারী শান্নবদু লেপহনখিবনি। দোহাদা য়ু এস ওফিসলশিংনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা মখোয় য়াম্না থুনা পিছ টোক চত্থরগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

## এমাজন রেনফোরেষ্ট মৈ চাকপনা চীংগী উন মপৈশিং শৌদোকপা হেনগৎহনবা য়াই : ষ্টদি



রিও দে জনৈরো, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
খা নোংচুপ থংবা এমাজোনিয়া (ব্রজিলিয়ন, পেরুভিয়ন অমসুং বোলিভিয়ন এমাজন)দা লৈরিবা রেনফোরেষ্ট মৈ চাকপনা সাউথ অমেরিকাগী এন্দিসতা লৈরিবা ট্রোপিকেল গ্লেসিয়রশিং শৌদোকপা হেনগৎহনবা য়াই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্নেল সার্ন্টিফিক রিপোর্টসতা ফোঙখিবা ষ্টদি অদুগী রিছার্চর ন্যুটন দে মগালহেস নেতো অমসুং রিও দে জনৈরো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি, ব্রাজিলগী কোলিগশিংনা কুমজা ২০০০ অমসুং কুমজা ২০১৬ গী মরক্তা খোমখিবা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং, মৈখু মপৈশিংনা লেংবগী মওং, নোং চুবগী মওং অমসুং গ্লেসিয়র শৌদোকপগা মরী লৈনবা দেতা শীজিন্নদুনা এমাজন বেসিনগী বাইওমাস মৈ চাকপনা বোলিভিয়াগী জোঙ্গো গ্লেসিয়রদা করি করম্বা থৌওংশিং থোকহনবা য়াবগে হায়বা উৎপা মোদেল অমা শেম শাখি।

মখোয়না বাইওমাস মৈ চাকপদগী থোক্ল কপা ব্লেক কার্বোনগুম্বা এরোসোলশিং নুংশিংনা ট্রোপিকেল এন্দিএন গ্লেসিয়রশিং তম্না পুবা য়াই হায়বসি খঙবা ঙমখি। মফম অদুদা এরোসোলশিং অদু উন মরক্তা দিপোজিৎ তৌদুনা গ্লেসিয়র শৌদোকপগী চাং হেনগৎহনবা য়াই হায়বসি মখোয়না উৎখি। মসি মরু ওইনা অমুবা কার্বোন নৎত্রগা দষ্ট পার্টিকলশিংনা মুশিলহল্লবা উন্না মঙাল থকথোকপগী চাং হৣহনবদগীনি হায়রি।

## অমাঙ-অতা থোক্লবা কেম্পসতগী পুলিস হন্দোকখ্রে, এক্তিভিষ্টশিংনা অহেনবা রেলিশিং পাঙথোক্লবা আপিল তৌখ্রে



হোং কোং, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
হোং কোং পুলিস ইরাই নুমিত্তা চয়োল কয়া চুপ্পা খুৎ থোক্লবদগী অমাঙ-অতা কয়া থোক্লবা য়ুনিভর্সিটি কেম্পস অমদগী হন্দোকখ্রে। অমরোমদা, প্রো-দিমোক্রেটি এক্তিভিষ্টশিংনা সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা চয়োলগী অরোইবদা পাঙথোক্তদৌরিবা মখা তাবা রেলিশিং শৌগৎনবা আপিল তৌখ্রে।

হোং কোং পোলিটেক্নিক য়ুনিভর্সিটিগী সিনিয়র ফেকল্টি মেম্বরশিংনা পুলিস চৎখ্রবা মতুংদা কেম্পস অদুদা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি। মখোয়না কান্টিন অমসুং স্পোর্টস হোলগী ফিভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অকায় অতোই থোক্লবা থোঙনাওশিং অমসুং বেরিকেদশিং মৈ চাকখিবদগী পৈদুনা লৈরিবা মৈতাল ওল্লবা লেমহৌবা শরুকশিংসু য়েংশিনখি।

থা ৫ হেন্না শাথিরবা দোমোনষ্ট্রেসনশিং চত্থরকখিবা মতুংদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা লোকেল ইলেক্সন্দা প্রো-দিমোক্রেসি কেন্দিদেন্টশিংনা চাওনা মায় পাকখিবদগী চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিদা খরা ঈং চিক্লা লৈবগী ফিভম অমা উবা ফংখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী সপোর্ট ফংলবা মতুংদা এক্তিভিষ্টশিংনা হৌজিকসু মখা তানা মখোয়গী ইহৌ অদু হেন্না কনশিলহন্নবা হোৎনরি। পনবা য়াবদি, ট্রম্পনা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অদুদা মালেমগী পুক্লিং নৌহৌননা চিংশিনখিবদা, বৈজিংগী মায়কৈদগী ৱার্নিং কয়া পীখিবনি।

ক্লাসরুম কয়া অমদি লেবোরেটরি কয়া মাঙহন তাকহনখি। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদা মীশি-মীনা থোকপদি য়াওখিদে। ঐখোয়না ক্রাইসিস অসি সোলভ তৌবদা ৱাখল চেনবগী মতৌ উৎপা পাম্বে শীজিন্নবা আপিল তৌরি হায়না য়ুনিভর্সিটিগী প্রসিদেন্ট টেং জিন-গুৱাংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা প্রোটেষ্টর লিশিং অমা হেন্না কেম্পস থাদোক্তুনা চৎখ্রে। অমাঙ-অতা চাওনা থোকহনখিবা লৈরবসু মথংগী সিমিষ্টর মতম চানা হৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## ইরাক্কী মকোক থোংবা ক্লারিক্লা লোমেকরশিংদা গভর্নমেন্ট শৌগৎপগী মতাংদা অমুক হন্না খন্ননবা আপিল তৌখ্রে

বাঘদাদ, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী মকোক থোংনা সিয়াইট মুস্লিম ক্লারিক্লা ইরাই নুমিত্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিংদা চত্থখিবা এটেকশিং কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা লোমেকরশিংদা মখোয়না গভর্নমেন্ট শৌগৎপগী ফিভম নৌহৌননা খন্ননবা তকশিনখ্রে

মতম শাংনা লানগী অৱাবা চৈথেং নংদুনা লাক্লবা লৈবাক অদুদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা মীয়ামগী ইরাং হেনগৎলক্লিবদু য়েংদুনা লিদরসিপকী অহোংবা পুরক্লবগী ইঙ্গিৎকা লোয়ননা ক্লারিক অসিনা লোমেকরশিংদা আপিল অসি তৌখিবনি হায়না থাজনরি।



গ্রান্দ অয়াতোলাহ অলি অল-সিষ্টানিনা ৱাফমশিং অসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টর চা কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা চয়োল কয়া চুপ্পা চত্থরকখিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা খ্বাইদগী হেন্না মীশি-মীনাগী থৌদোক থোকখিবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং খা থাংবা প্রোভিন্সশিংদসু কনখৎলকখিবগা ইরোইননা গ্রান্দ অয়াতোলাহ অলি অল-সিষ্টানিনা আপিল তৌখিবনি। গভর্নমেন্টনা হৌখিবা থা অনী অসিদা ইরাংগী থৌদোকশিং থেংনবা ঙমদবগী মওং অমা ঐখোয়না উবা ফংলি। অদুনা হৌজিক্কী গভর্নমেন্ট অসি থোকহনখিবা পার্লিয়ামেন্টনা ইরাক্কী মীয়াম পুম্বগী ইন্টরেষ্টতা লিদরশিপকী মতাংদা অমুক হন্না খন্নগদবনি হায়না টেলিভাইজ সর্মন অমদা সিষ্টানিগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমনা ফোঙদোকখি। সিষ্টাননিগী ৱারোল পল্লদুনা রেপ্রজেন্টেটিভ অদুনা হায়খি মদুদি, ঈংনা চিক্লা প্রোটেষ্ট তৌজরিবা মীয়ামদা এটেক তৌবা হায়বসি অথিংবা লৈবা থৌওংনি।

## মালিদা কায়খিবা ফ্রেঞ্চ আর্মিগী হেলিকোপ্টরশিং ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক তৌখিবা নত্তে : জেনরেল



পেরিস, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিদা মালিদা কায়খিবা ফ্রেঞ্চ আর্মিগী হেলিকোপ্টর অনী অদুদা ইস্লমিক ষ্টেটকী জিহাদিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখিবা লৈতে হায়না ইরাই নুমিত্তা ফ্রেঞ্চ আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমগা তায়োন্ননা ফ্রেঞ্চ আর্মিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ইস্লামিক ষ্টেট ইন ৱেষ্ট অফ্রিকা প্রোভিন্স (আই এস দব্লিয়ু এ পি)না হেলিকোপ্টরশিং অদু ফাইটরশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদগী মখোয়গী মরক্তগী অমা হন্দোক্লবা হোৎনবদা থেংনগাইনবগী কায়খিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখোয়না ক্লেম তৌরিবা ৱাফম অসিগী ইভিদেন্সতি পীখিদে। জিহাদিষ্টশিংগী মায়কৈদগী ঐখোয়গী হেলিকোপ্টরশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা লৈতে হায়না ফ্রেঞ্চ আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফ ফ্রান্সুৱা লিকোইন্ত্রিনা ফ্রেঞ্চ রেদিও ষ্টেসন আর এফ আইদা ফোঙদোকখি।

ফ্রেঞ্চ আর্মিগী মায়কৈদগী হেলিকোপ্টরশিং অদু কম্বেট ওপরেসন মনুংদা খঙহৌদনা থেংজিন্নবদগী কায়খিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

লিকোইন্ত্রিনা মালিদগী ফ্রান্সনা ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনবা খন্নবা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফ্রান্সনা মীচংশিংদগী অহেনবা সপোর্ট পাম্মী হায়বা ৱাফমসু থমখি। লমদম অদুগী হান্নগী কোলিনিএল পৱার ওইরিবা ফ্রান্সনা অৱাং থংবা লমদম খুদুম চন দুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং তকথোক্ল বগীদমক্তা কুমজা ২০১৩ দা মালিদা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবনি।

হৌজিকসু লমদম অদুগী মফম কয়াদা থোক্লিবা লালহৌবগী ইরাংশিং থেংনবগীদমক্তা ফ্রান্সনা ট্রুপ ৪,৫০০ কী ওইবা বর্খান ফোর্স দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবনি।

## মীখলদা নমথাক তৌবগী মায়োক্তা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

কাবুল, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিবু অমুক হন্না মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা চত্থখিবনি হায়বা মীখলদা নমথাক তৌবগী থৌওং খরগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা অফঘান প্রসিদেন্ট মীখলদা কেন্দিদেন্ট ওইখিবা অব্দুলাহ অব্দুলাহ শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়ানা ইরাই নুমিত্তা কাবুলগী লম্বীশিংদা দেমোন্ট্রেসন চৎখ্রে।





থা অনীগী মমাংদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী প্রিলিমিনরি রিজল্টশিং লাউথোকপদা মতম থিন্থহন্দুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা কেন্দিদেন্ট অমগী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংনা ঘানি অমসুং লৈবাক অদুগী ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখিবগা লোয়ননা মখোয়না পোল বোদি অসিবু প্রসিদেন্ট ঘানিবু অনীশুবা টর্ম অমগসু পায়হনবা য়ানবগীদমক্তা সপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলগী ইনভেলিদ ভোট লিশিং চা কয়া মশিং থিবদা য়াওহল্লে হায়না মরাল শীখি।

রেলিশিং অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদগী অফঘান কেপিটেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হৌখি অমসুং প্রোটেষ্টরশিংনা সিটি অদুগী ময়োল তম্না চঙশিনখি হায়না অব্দুলাহগী ইলেক্তরেল টিমগী স্পোক্সপর্সন অমা ওইরিবা মুর্তাজা ঈশ্রাকিনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না লোগী মতুং ইন্না থবক তৌগদবনি অমসুং ইলিগেল ওইবা ৱারেপশিং লৌবা লেপকদবনি হায়বসি ঐখোয়গী দিমান্দনি। ঐখোয়না খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবদি ইনভেলিদ ওইহনফম থোকপা অরান-অহুইকী থৌওংশিংদা থাদনখিবা ভোট ৩০০,০০০ মশিং থিবদা য়াওহনখিবা অসিনি হায়না ঈশ্রাকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেপ্তেম্বর ২৮গী ভোট অদুগী রিজল্ট ওক্তোবর ১৯ দা লাউথোক্কদবা ওইরবসু টেক্নিকেল প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইদুনা নবেম্বর ১৪ ফাওবা য়ৈথোকখিবনি।

অনীশুবা দেদলাইন অসিসু মরু ওইবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অব্দুলাহনা ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কম্মিসন্না অমুক হন্না ভোট মশিং থিনবা থৌরাং তৌবদা অরান-অহুইগী থৌওংশিং চত্থদুনা থাদনখিবা ভোটশিংসু মশিং থিবদা য়াওহল্লে হায়রদুনা প্রোটেষ্ট তৌবদগী অমুক হন্না শাংদোকহনখিবনি। পোল পেনেল অদুগী মতুং ইন্না মীখল অদুদা থাদনখিবা ভোট মিলিয়ন ২.৭গী মনুংদা শুপ্নগী মিলিয়ন ১.৯২ বাইওমেট্রিক্কী পাম্বৈনা ভেরিফাইদ তৌখি।

## নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েং মতুংদা য়ু এসকা ৱারী শানখ্রে

সিওল, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট-রেঞ্জ প্রোজেক্টাইলশিং কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী টোপ ন্যুক্লিয়র এনভোই লী দো-হুন্না য়ু এস অমসুং জপানগী মহাক্কী লেংমান্নবশিংগা ফোনদা ৱারী শানখ্রে হায়না সিওলগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে। সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী পিছ এন্দ সিক্যুরিটি এফেয়রসকা মরী লৈনবা সাউথ কোরিয়াগী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ লীনা নোর্থ কোরিয়া এফেয়রসকী ওইবা য়ু এসকী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ষ্টেফেন বৈগনগা ফোনদা ৱারী শানখি হায়রি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**
ꯈꯪꯍꯅꯕ /**NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 29th Nov. 2019

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Star of Pandam" on 27-11-2019 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Irom Meijrao"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

***Sd/- P. Memi Devi***
Deputy Registrar of Societies, Imphal West
HL-P/5393/30



**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অদুগী মতুংদা অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিগুম্বা মকুপ-মকুপ শৌরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অদুগী মতুংদা অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিগুম্বা মকুপ-মকুপ শৌরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ফান অমদি চৌক্রিদা ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ তারকপা, শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনবদসু চঙউ য়াদবা, নান্থরগা অদুম লৈবা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং পাঙ্গল য়াম্না শোন্থরকপা, করিগুম্বা থবক অমফাওবা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবা, খূৎশা-খোঙশাশিং ইপোমতা পোল্লগা শজিং য়াম্না হৌগনবা, করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, লূ-তোং চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফম্বী শোনবনা মরম ওইদুনা হকতিন্নীংবা ইফাও ফাওদবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5202/11 *থাগৎচরিবী :* **W. Langlen,** Singjamei



# Notice Inviting Bid

**Manipur Renewable Energy Development Agency (MANIREDA)**
(An autonomous Govt. Agency under the Power Department)
2nd Floor, South Block, Secured Office Complex, Near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal-795001
e-mail: manireda99@yahoo.com; Website: www.manireda.com

NIB No. :
**67/2/2018/LED/SSL/MANIREDA**
Imphal, dated: 27.11.2019

Online tender is invited from the reputed firm/company as per the details given below:

| Item | Tender No. | Total quantity | Cost of Bid Document | Last date & time for uploading of e-tender |
|---|---|---|---|---|
| (i) Design, manufacture, supply of battery, luminary, SPV module, cable, etc., including painting & shifting of pole, installation & commissioning of W-LED Solar Street Light installed at RDS crossing to Minuthong via New Checkon, Hapta Kangjeibung of Imphal East and Manipur Press Club. (ii) 5yrs Maintenance and Performance Warrantee Contract (MPWC) | 67/2/2018/LED/SSL/MANIREDA | 200 Nos. | Rs. 500/- | 11.12.2019 upto 12.00 noon |

Tender Document can be downloaded from the website www.manipurtenders.gov.in or www.manipur.gov.in or www.manireda.com Bidders have to upload their bid at www.manipurtenders.gov.in

Prospective bidders are requested to remain updated for any amendments/modifications/cancellation, etc. of the Bid Document in the above mentioned website. No separate notifications will be given for such amendments/modifications/cancellation in the print media (press) or intimated to the bidders separately.

MANIREDA, reserves the right to reject, cancel tender without assigning any reasons thereof.

Sd/- Director,
MANIREDA
HL-B/5839/30